

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JUNE 29, 2016 PAGE 7

ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমনা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনগনি হায়না হান্নগী ইন্দিয়ান টিমগী দাইরেক্টর ওইরম্বা রাবি সস্ত্রিনা ফোংদোকখ্রে

সুইজরলেন্দগী অমরা সাদিকোবিক মায়থিবা পীরগা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রবা সেরিনা ৱিলিয়াম্স মেটচ মনুংদা হরাওবা ফোংদোকখিবা



# খুমন লম্পাক স্পোর্টস কপ্লেক্সতা লৈবা রোৱিংগী কেনেল অঙকপা ওইরি

## শান্নরোইশিংনা ত্রেনিং তৌগদবা মফমদা কদায়দগী লাকপনো খঙদবশিংনা অকায়বা পীরি

**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ**
খুমন লম্পাক স্পোর্টস কপ্লেক্সতা লৈরিবা রোৱিং কেনেল অসিদা ত্রেনিং তৌগদবা শান্নরোইশিংদা শাথিনা অৱাবা ময়োক্নবগী মমি চাওনা তারি।

থৱায় য়াওজবা শান্নরোই খর খক নত্তনা কদায়দগী লাকপা মীওইশিংনা ঈরুজফমশিং ওইবগী মওংদা কেনেল অসি লৈখিবনা শান্নরোইশিংনা অৱাবা পীবিরি।

মসি কদায়দগী হৌরকখিবনো হায়বদু দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়র অমদি দিপার্টমেন্ট অসিবু পায়রিবা মীওইশিংনা মুন্না য়েংহন্নিংই।

কনাদা ৱাকৎলগা করম তৌরগা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কপ্লেক্স অসি লুনা-নান্না থমগদৌরিবনো হায়বসি হঞ্জিন-হঞ্জিন্না শান্নবদা ঙাওজবা মীওই কয়া অমদি শান্নরোইশিংনা ৱাহং কয়া হংলবসু থবক্তা ওন্থোকপগী পাউখুমদি পীদবগুম লৈরি।





নাক-য়েৎতা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস কপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেদিয়ম অসি খুদক্কী ওইনা পাংথোক্কদবা টুর্নামেন্ট নত্রগা চেম্পিয়নসিপ লাকপা খক্তদা মীয়াম মাংদা চোপ্তনবা হে-শিংনা হৌৎনরবসু অহোবা খরদি অদুমক লৈ হায়বসি ময়েক শেংলবনি।

খরা মখৈদি ফগৎহন্নবা হোৎনবা অসি থাগৎফম থোকই। হেন্না থাগৎনবগীদমক অঙম্বা থাক্তা ফজখৎলক্লিবা অসিদগী হেন্না ফজহল্লবদি ঐখোয় পুম্নমক লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা শান্নরোই, ওফিসিয়েল অমদি এসোসিয়েসনশিং মপালগী লৈবাকশিংদা চৎপদা হান্না উৎলম্বা বেভ্হার অদুদগী হেন্না উৎলক্লোই হায়নিঙাই লৈতে।

য়ান্না-য়ান্নবা থৌশিল কয়া শীনবা অসি অচুম্বদি নত্তে। হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক অসিদা শান্নরোই অনীখক ইন্দিবিজ্যুলদা শরুক য়াগদৌরি।

হঞ্জিন-হঞ্জিন্না পল্লুদ্রগসু ইন্দিভিজ্যুল ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোই অনী অদুদি অর্চরিদা লাইশ্রম বোম্বেলা অমদি ৱেঠ লিফটর মিরবাই চনুনি। হৌজিক জুলাই অহৌবা চায়োলদা রিও ওলেম্পিক্তা য়াওবা য়াবা মণিপুরগী শান্নরোই য়াওবা তারবদি হোক্কি মশান্না নত্তনা লৈত্রে।

মমাংগী ওলেম্পিক্তগী ইন্দিভিজ্যুল ইভেন্টতা শান্নরোই অনীদগী হেন্না তাদনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা ঙমখিবনি।

মথংগী ওলিম্পিক্তা ইন্দিভিজ্যুল ইভেন্টতা মমাংদা হৌখিবা অমদি হন্দক্কী অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদগী মশিং য়াম্না হেন্না শরুক য়ান্নবা মরি লৈনবশিংনা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

হয়েং হৌখ্রবদি ঙসি অমুক লাক্কনি হায়বসি মতম লৈবা খিবিক্তা কাওরোইদবনি।

# লৈবাক্কী ওইবনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক দে গী মপুং ওইবা পান্দম পাংথোকপা ঙমখিদেঃ সুনিল

## হন্দক পাংথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক দে রন অসিনা ৬৮ শুবা ওইগদৌরিবনি

**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ**
লৈবাক্কী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া লৈখিবনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক দে রনগী মপুং ওইনা জুন ২৩ দা পাংথোক্লদুনা লাকপা থৌরম অদু পাংথোকপা ঙমখিদে হায়না মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী ওইরিবা সুনিল এলাংবম্না অখন্নবা পাউমী খরগা উনবগী থৌরমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসন (এম ও এ) গী মিটিং হোলদা পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তাখিবদা ওলিম্পিক মশান্না অসি ঙল্লিঙৈ মতম ইং ১৮৪৮ জুন ২৮ দগী হৌরকখিবনি।

মোর্দন ওলিম্পিক্না ইং ১৮৮৪ দগী লাকখিবনি।

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কম্মিটিকী মখাদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক ২০৬ না শরুক য়ারি।

মহাক্না মখা তারদুনা মতম



খরা থেংথনা পাংথোক্লবসু ওলিম্পিক দে রন অসি হয়েং মপুং ফানা পাংথোকপা ঙম্ননবা হোৎননবা থৌরাং তৌরি।

ওলিম্পিক দে রন মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসন অমদি য়ুঠ এফিয়র এন্দ স্পোর্টস গর্ভনমেন্ট ওফ মণিপুরগা পুন্না পাংথোকমিন্নগদবনি।

হয়েং পাংথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক দে রন অসিদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা প্লেয়র অমদি ওফিসিয়েলশিংনা পুন্না শরুক য়াদুনা মায় পাকননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ওলিম্পিক দে রন অসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদগী লমথারগা লমথুংফম ওইগনি।

মেন ষ্টেদিয়মদগী লমথাগদৌরিবা অসি হুদকো গেট, দিঙ্কু রোদ, খোংনাং কারক, নোর্থ এ ও সি লম্বেলদা লাক্লগা এম এম টি এ গী ফাওদুনা লাক্লগা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা লোইশিনবগী থৌরম পাংথোক্কনি।

রন অসিদা য়াওগদৌরিবা মীওইশিংনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা কোয়না চেল্লবা মতুংদা লোইশিনবগী থৌরম পাংথোক্কনি।

পাউমিশিংগা উন্নবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডাঃ জি এ ইবোপীশক শর্ম্মা না ফোংদোকখিবদা হন্দক পাংথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক দে রন অসিগী মোতোশিংদি লেট অস মিট এন্দ গ্রিট ইস অদর থ্রুজ স্পোর্টস, এদুকেসন এন্দ কলচরেল এক্টিভিটিস ৱিট ফ্রেন্সিপ এন্দ য়ুনিটি ফোর এ বেত্তর সোসাইটি নি হায়না ফোংদোকখি।

ওলিম্পিক্কী ঙসি ফাওবা চত্থদুনা লাকখিবা অমদি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাংথোকখিবা ওইরিবা ফিভমশিং মখাদা পীরি।

| Olympiad | Year | Host City, Country |
|---|---|---|
| I | 1896 | Athens, Greece |
| II | 1900 | Paris, France |
| III | 1904 | St Louis, USA |
| | 1906 | Athens, Greece |
| IV | 1908 | London, Great Britain |
| V | 1912 | Stockholm, Sweden |
| VI | 1916 | Berlin, Germany (not held) |
| VII | 1920 | Antwerp, Belgium |
| VIII | 1924 | Paris, France |
| IX | 1928 | Amsterdam, Holland |
| X | 1932 | Los Angeles, USA |
| XI | 1936 | Berlin, Germany |
| XII | 1940 | Tokyo, Japan / Helsinki, Finland (not held) |
| XIII | 1944 | London, Great Britain (not held) |
| XIV | 1948 | London, Great Britain |
| XV | 1952 | Helsinki, Finland |
| XVI | 1956 | Melbourne, Australia |
| XVII | 1960 | Rome, Italy |
| XVIII | 1964 | Tokyo, Japan |
| XIX | 1968 | Mexico City, Mexico |
| XX | 1972 | Munich, Germany |
| XXI | 1976 | Montreal, Canada |
| XXII | 1980 | Moscow, USSR |
| XXIII | 1984 | Los Angeles, USA |
| XXIV | 1988 | Seoul, South Korea |
| XXV | 1992 | Barcelona, Spain |
| XXVI | 1996 | Atlanta, USA |
| XXVII | 2000 | Sydney, Australia |
| XXVIII | 2004 | Athens, Greece |
| XXIX | 2008 | Beijing, China |
| XXX | 2012 | London, England |
| XXXI | 2016 | Rio, Brazil |
| XXXII | 2020 | Tokyo, Japan |

# রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল চেছ টুর্নামেন্ট

## শান্নরোই ৬ পুন্না মাংজিল থামিন্নরি

**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ**
মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জুভেনাইল ক্লব তেরা সাপম লৈরক ইম্ফালনা খুরাইজম রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা শীন্দুনা ঙরাংদগী চত্থরিবা অহানবা খুরাইজম রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬ অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিনবদা শান্নরোই ৬ না মাংজিল থামিন্নরি।

মায়থিবা অমত্তা য়াওদনা রাউন্দ অহুম থংননা মায় পাক্লগা (পোইন্ট ৯) ফঙলগা মাংজিল থামিন্নরিবা শান্নরোই তরুক অদুদি ঐচ সোমোকান্তা, এ চক্রিতোম্বী, ৱাই প্রিতমকুমার, ঐচ জেকি, ও নিংথেম অমদি এ ফোলেন্নি।

পোইন্ট ৯ ফঙদুনা মাংজিল থামিন্নরিবা ঐচ সোমোকান্তা (পোইন্ট ৯) না টেবল নম্বর ১ দা কে ঐচ সঞ্জয় (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ২ দা এ চক্রিতোম্বী (পোইন্ট ৯) না এন পারি (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৩ দা ৱাই প্রিতমকুমার (পোইন্ট ৯) না এস প্রেমজিৎ (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৪ দা ঐচ জেকি (পোইন্ট ৯) না এন ব্রোজেন (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৫ দা ও নিংথেম (পোইন্ট ৯) না কে ঐচ ওলে (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৬ তা এ ফোলেন (পোইন্ট ৯) না চিতরঞ্জন টি (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৭ তা এল লালগৌপাল (পোইন্ট ৭) না আর কে দাট্ট (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৮ দা এন বঙ্কিম (পোইন্ট ৭) না কে ঐচ পিঙ্কি (পোইন্ট ৪) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৯ দা রোনাল্ড এস (পোইন্ট ৫) না ই সসিকান্তা (পোইন্ট ৪) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১০ দা সেক্সপিয়র এল (পোইন্ট ৬) না কে ঐচ মেরাজাও (পোইন্ট ৩) মায়থিবা পীখি।

# আর্টিফিসিয়েল তর্ফ ব্রশিং তৌবনা

## গ্রাস রুট প্রোগ্রাম য়ৈথোক্লে


**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ**
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা জুলাই ২ অমদি ৩ দা (সেতরদে অমদি সনদে) দা পাংথোক্তুনা লাকপা অম্ফা গ্রাস রুট প্রোগ্রামগী মফম ওইরিবা খুমন লম্পাক্তা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফকী ব্রশিং অমদি অৱাৎপা কয়াগী মেনশিনবগী থবক য়াম্না কন্না পায়খৎলিবনা মরম ওইরগা নুমিৎ অনী অসিগী গ্রাস রুট প্রোগ্রাম পাংথোক্লরোই হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এল রঞ্জিৎ রোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## রেফরি সেমিনরদা রেফরি মশিং য়ামখৎলক্লি

**এ স এ ন এ স**
**ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা নুমিৎ ৩ গী ওইনা পাংথোক্কদবা রেফরি সেমিনর ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা ঙরাং শরুক য়াখিবা রেফরিশিংদগী খরা হেনগৎপা ঙমখ্রে হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুন অমনা হায়রি। ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা লো ৭ তগী ১৪ ফাওবগী মতাংদা এম জয়চন্দ্র অমদি এল য়াইমা সিংহ না কান্না কান্নরগা লোশিংগী মতাংদা তাকপীরি। লোশিং অসিগী তাকপী-তম্বীদ্রিঙৈ মমাংদা হুইসেল অমদি পেরগী মতাংতা প্রক্টিকেল ত্রেনিং তাকপীখি।



ওলিম্পিক্কী ঙল্লিঙৈ মতমদা হৌরকখিবা (ওই)



হৌজিক্কী ওইরিবা ওলিম্পিক্কী খেৎনবা